# নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে স্পোর্টস এসোসিএশননা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইরে

**মালিগাউন, মে ৩০ (এজেন্সী):**



নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে স্পোর্টস এসোসিএশন (এন এফ আর এস এ)না শীন্দুনা গুৱাহাটিদা থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহানবা ওল গুৱাহাটি ইন্টর একাদেমি/স্কুল বাস্কেটবোল প্রাইজ মনি টুর্নামেন্টগী ওইনা এন এফ আর এস এনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে হায়না এন এফ আরগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ২৩০না শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিদা অন্দর-১৪ বোইজ, অন্দর-১৪ গর্লস, অন্দর-১৭ বোইজ অমদি অন্দর-১৭ গর্লস হায়না তোঙান-তোঙানবা কটাগোরি মরিদা অথোই-অহেন চাংদম্নখি। অন্দর-১৪ বোইজ অমদি অন্দর-১৪ গর্লসকীদা টিম ৪/৪ শরুক য়াখি। অদুগা অন্দর-১৭ বোইজগীদনা টিম ৬ অদুগা অন্দর-১৭ গর্লসকীদনা টিম ৫ শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা রাউন্দ রোবিন লীগ ফোর্মেটতা মেটচ ৩৮ শান্নখি। অন্দর-১৪ কটাগোরিগী ওইনা এন এফ আর এস এনা অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ গর্লসকী টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। অদুগা ঐচ বি সী সীনা কটাগোরি অনীমক্কী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি। অদুগা অন্দর-১৭ বোইজ অমসুং অন্দর-১৭ গর্লসকী ওইনসু এন এফ আর এস এনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। অন্দর-১৭ বোইজগী রন্নর্স অপনা কে ভি নরেঙিনা তাখি। অদুগা অন্দর-১৭ গর্লসকী রন্নর্স অপনা ঐচ বি সী সীনা তাখি।

চথখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা টিম খূদিংমকপু নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে স্পোর্টস এসোসিএশনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংনা টুর্নামেন্টতা উৎখিবা হৈ-শিংবশিং অদুবুসু পূক্নিং থৌগৎখি।

হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা বাস্কেটবোল মশান্নদা হেন্না ফবা শান্নরোয় ওইহন্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা টুর্নামেন্টশিং অসিনা চাওনা মতেং পাংলগনি অমদি মতুং তারকপদসু অসিগুম্বা মখলগী টুর্নামেন্টশিং অসি শীন্দুনা বাস্কেটবোল মশান্না অসিবু গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্নবা হোৎনখিগনি হায়না এন এফ আরগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসরগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ইন্দিয়াগী নুপা নেশনল টিম ফ্রেন্দলি মেটচ শান্ননবগীদমক থাইলেন্দদা থুংখ্রে

**পাথুমথানি, মে ৩০ (এজেন্সী):**



কোলকাটাদা ট্রেনিং কেম্প চথরবা মতুং থাইলেন্দগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্ননবগীদমক লৈবাক অসি থাদোকখ্রবা ইন্দিয়ন মেন্স নেশনল টিম ঙরাং অহিং অথেংবদা থাইলেন্দদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মথং থাগী ৪দা যূম্বু থাইলেন্দগা মেটচ শান্নগনি। মদুগী মতুং এ এফ সী এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র্স ফাইনেল রাউন্দ মেটচ থা অসিগী ১০দা অমুক শান্নবা হৌগনি। হন্দক্কী অসি থারগা হৌখিবা চহী ৬ অসিদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দদা ভিজিট তৌখিবা অসি অহুম্লক শুরে। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ অমদি ২০২৩দা থাইলেন্দনা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা কিংস কপতা ইন্দিয়াগী টিমনা শরুক য়াখি অমদি হায়রিবা কপ অদুদা ইন্দিয়ানা যূম্বু থাইলেন্দবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০২৩দা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দ মায়থীবা পীখ্রবা মতুং হন্দক অমুক হন্না মেটচ শান্নবগী খূদোংচাবা লাকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী কিংস কপতা ইন্দিয়ন টিমদা ইহান হান্না য়াওরকখিবা মিদফিল্ডর ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা পাথুমথানিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। মমাং সিজনদসু মহাক্না শান্নরিবা ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সীগী মেটচ খরগীদমক থাইলেন্দদা লৈখি। মরম অদুনা থাইলেন্দ লৈবাক অসি মহাক্কী ওইনদি অনৌবা নৎত্রে। মহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্লি।

অমরোমদা, ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা, ইরমদম থাদোক্লগা অতোপ্পা লৈবাক্তা মেটচ শান্নবা মতমদা অনৌবা খঙজিনবা য়াবা টেক্নিক কয়া ঐখোয়না ফংবা ঙম্লি। থাইলেন্দদা ঐখোয়না কিংস কপ হান্ননা শান্নখ্রবা মরম্না কা-হেন্না পাখৎনিংঙাই ওইদে। হন্দক শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি কিংস কপকা খরা খেন্নে। হন্দক্কী অসিনা ইন্টরনেশনল ফ্রেন্দলি মেটচনি। মরম অদুনা যূম্বু ওইরিবা থাইলেন্দদা মতেং পাংবা ফেন মশীং হেন্না থোক্লক্কনি। মদুদা ঐখোয়না মিপাইনিংঙাই ওইদে অমদি ৱাখল শোন্থনিংঙাই লৈতে হায়খি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া টিমগী মরুওইবা পান্দমদি কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপতা ক্বালিফাই ওইবনি। মরম অসিনা শান্নগদৌরিবা মেটচ খূদিংমক অসি ইন্দিয়া টিমগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরি। থাইলেন্দ লেগকী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা থা অমরোম অকনবা মওংদা প্রেক্টিস তৌদুনা লাক্লি অমদি হন্দক শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা ঐখোয়গী টিমনা মপূং ফানা ঐখোয়গী হৈ-শিংবশিং উথোকপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়না ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।

# ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননা ট্রেন্ট অলেকজেন্দর রিয়াল মাদ্রিদতা য়াওরগনি



**চেন্নাই, মে ৩০ (এজেন্সী):**

লা লিগাগী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা রিয়াল মাদ্রিদনা লিভরপুলগী দিফেন্দর ট্রেন্ট অলেকজেন্দর-অর্নোল্ডগা চহী ৬কী কন্ট্রেক্ট তৌনরগনি হায়না ঙসি ফোর্মেল ওইনা লাউথোকখ্রে।

রিয়াল মাদ্রিদনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুমজা ২০৩১ ফাওবা ইংলিশ দিফেন্দর অসিগা খূৎয়েক পীনরগনি। রিয়াল মাদ্রিদ সী এফ অমসুং লিভরপুল এফ সীগী মরক্তা লাক্কদৌরিবা সিজন ৬কী ওইনা ট্রেন্ট অমসুং রিয়াল মাদ্রিদকা খূৎয়েক পীনবদা য়ানখ্রে। য়ানখিবা অসিগী মতুংইন্না ট্রেন্টনা জুন ১দগী হৌরগা কুমজা ২০৩১গী জুন ৩০ ফাওবা ক্লব অসিদা শান্নরগনি হায়রি।

রিয়াল মাদ্রিদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জুন থাগী ১৪দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননা দিফেন্দর ট্রেন্ট রিয়াল মাদ্রিদকী স্কৱাদতা য়াওরগনি হায়রি।

মশাগী চহী ২৬ লোম শুরবা দিফেন্দর অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৬তা অহানবা ওইনা মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা লিভরপুলদা শান্নবা হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না ক্লব অসিগীদমক মেটচ ৩৫১ শান্নখিবগা লোয়ননা পূন্না পাঞ্জল ২৩ চনবা ঙমখ্রে অদুগা পাঞ্জল ৯২ এসিষ্ট তৌখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১৯-২০ সিজনগী ওইনা লিভরপুলনা প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌবদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌখি।

# অমিনুলবু বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



**চেন্নাই, মে ৩০ (এজেন্সী):**

অমিনুল ইস্লাম বুলবুল ঙসি লম্বা য়াওদনা বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দ (বি সী বি)গী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবগা লোয়ননা ফরুক অহমদকী মহুৎতা মহাক্না বি সী বিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খূদক্তগী মথৌ তৌবা হৌরগনি।

বি সী বিগী বোর্দ মীটিং অমনা বুলবুলবু বোর্দ দিরেক্টর ওইনা হাপ্পদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লম্বা য়াওদনা মহাক প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। ফরুক অহমদপু বি সী বিগী দিরেক্টর ওইহন্বদগী লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৌথোকখ্রবা মতুং বুলবুলবু অনৌবা দিরেক্টর ওইনা বি সী বিগী বোর্দ মীটিংনা য়েৎনবা য়াওদনা খনখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙসি বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা বুলবুল হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯গী ৱর্ল্ড কপতা বাংলাদেশ ক্রিকেট টিমবু কেপ্টেন ওইনা লুচিংখিবা শান্নরোয় অমনি। হায়রিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা বাংলাদেশনা স্কোটলেন্দ অমসুং পাকিস্তানবু মায়থীবা পীবসু ঙমখিবনি। ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থারবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎতুনা আই সী সীগীদমক্তা থবক তৌবা হৌরকখিবনি।

# অহানবা ফিফা ইন্টরনেশনল ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়া উজবেকিষ্টানগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

**বেঙ্গলুরু, মে ৩০ (এজেন্সী):**

পাদুকোন দ্রাভিদ সেন্টর ফোর এক্সলেন্সতা উজবেকিষ্টানগা ফিফা ইন্টরনেশনল মেটচ অনী শান্নগদবগী মনুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া উজবেকিষ্টানগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌরে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। নাকল অনীমক্না পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং মান্নখিবনা মরম ওইরগা মায় পাকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু অদুম্মক টিম অনীমক্না বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৫৬শুবা মিনটতা উজবেকিষ্টাননা খঙহৌদনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় দিওরাখোন খাবিবুলাভিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। ইন্দিয়ানা ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু উজবেকিষ্টানগী দিফেন্স লাইন লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু উজবেকিষ্টাননা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ মথং থাগী ৩দা স্পোর্টস সেন্টর অসিমক্তদা শান্নগনি।




MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR :IMPHAL

ꯑꯣꯏꯕ / ADMISSION NOTICE /582

Dated, the 30th May, 2025

**No. MU/24-1/DACE/Adm/Aca:** Online applications are invited from **candidates belonging to Persons with Disabilities (PWD) only** for admission to the following programs/courses offered by Dr. Ambedkar Centre of Excellence, Manipur University, under the Free Coaching Component of "Scheme of Scholarships for Students with Disabilities" of the Department of Empowerment of Persons with Disabilities (Divyangjan), Ministry of Social Justice and Empowerment, Government of India:

**Courses Offered :**

- UPSC/MPSC Civil Services Examination (Preliminary and Mains)
- Banking/Insurance/PSU/SSC/RRB(Group A and B examinations)

**Course Details and Intake Capacity:**

| Sl.No. | Program/Course | Duration | Intake | Category | Course Fee |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | UPSC/MPSC CSE | 1 year | 15 | Open to all categories | Course Fee of Rs.75,000/-will be sponsored by the MoSJ&E.* |
| 2. | Banking/Insurance/ PSU/SSC/RRB (Group A and B examinations) | 9 months | 30 | Open to all categories | Course Fee of Rs.40,000/-will be sponsored by the MoSJ&E.* |

**The course fee will be released by Dr. Ambedkar Foundation, Department of Social Justice and Empowerment, Ministry of Social Justice and Empowerment, Government of India, in two instalments of 50% each through DBT in the candidate's Aadhar-enabled bank account. The candidate shall be required to remit the fee to the University immediately and in any case not exceeding 15 days on receipt of the course fee.*

**Stipend:** All the selected candidates will get a stipend/maintenance allowance of Rs. 4000/- per month along with a disability allowance of Rs.2000/-per month for the duration of the course. Additionally, a one time book allowance of Rs. 5000/- per course will be provided.

**Reservation:** There will be 30% reservation of seats for female candidates.

**Eligibility Criteria:**

1. The scheme is only for Indian nationals (preferable to Domicile of Manipur).
2. The candidate must hold a graduate degree from a recognised institution or possess an equivalent qualification or must be in the final semester of graduation.
3. Age limit:(21–42 years).
4. The Scheme is open to students with benchmark disabilities i.e., 40% or more disability as defined in 'Rights of Persons with Disabilities Act, 2016' and having a valid certificate of disability issued by the competent authority as prescribed under Rules.
5. Unique Disability ID (UDID) number with disability certificate is mandatory.
6. Only candidates with benchmark disabilities, having total family income from all sources of Rs.8.00 lakh or less per annum, will be eligible for benefits under the Scheme.
7. Benefits under the Scheme can be availed by a particular candidate not more than once.
8. Not more than two children with disabilities of the same parents will been entitled to receive benefits of the Scheme. In case the second child is a twin, the benefits under the Scheme will be admissible to the twin.
9. The candidate shall be precluded from availing benefits under any other coaching scheme of the Centre or State government and will be required to provide a declaration to this effect.

**Selection Procedure:** Through an Admission Test conducted by the DACE, MU, as per merit basis.

- **UPSC/MPSC CSE**: The Admission Test will comprise of 100 MCQs with each question carrying 2 marks. The syllabus of the Admission Test will be similar to the syllabus of UPSC CSE Preliminary General Studies Paper-I. The questions will be of NCERT level. **Duration:** 2 hours.
- **Banking/Insurance/PSU/SSC/RRB (Group A and B examinations)**: The Entrance Test will comprise of 80 MCQs with each question carrying 2 marks. The syllabus of the Entrance Test will include: Quantitative Aptitude (20 Qs), General Mental Ability (20 Qs), General English (20 Qs), and General Awareness (20 Qs). **Duration:** 90 minutes.

**Documents to be submitted/uploaded with the application form:** One colour passport size photo, Oneself-attested copy of age proof certificate, Oneself-attested copy of mark sheets and certificates from matriculation up to highest degree, Oneself-attested copy of certificate of disability (along with UDID number), Oneself-attested copy of income certificate (not older than one year from the last date of application form submission), Oneself-attested copy of Aadhaar Card, Details of Aadhaar-enabled bank account

**IMPORTANT DATE LINES :**

| | |
|---|---|
| Start of Online Application Form Submission | **31st May, 2025** |
| Last Date of Online Application Form Submission | **20th June, 2025 (23:59:59hours)** |

**Time & Date of Admission Test:**

- UPSC/MPSC CSE : **28th June, 2025 (Saturday) (10am–12noon)**
- Banking/Insurance/PSU/SSC/RRB(Group A and B examinations): **28th June, 2025 (Saturday) (2:00 pm–3:30 pm)**

Date of Declaration of Admission Test Result : 2nd **July,2025**
Date of Counselling : 7th - 9th **July, 2025 (10:00 am – 4:00 pm)**
Date of Commencement of Class : 1st **August, 2025 (Friday)**
**Application Fee : Rs.200/-only**
Web link for online submission of Application Form :https://manipurunivadm.samarth.edu.in

Sd/- Prof. Th. Binoy Singh
Registrar (i/c)

HL-B/9583/31&1